ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯴, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, দিসেম্বর ১৪, ২০১৯, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৮৯শুবা মশীং

# চাদা ১০ রিজার্ভেসন পীনবা থৌরাং

## জেনরেল কেটগরিগী লায়রবশিংদা কান্নবা পীরগনি

*লৈঙাক্লা* সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ট্রাইব অমদি অদর বেকৱার্দ কাষ্টনচিংবা শোৎথহৌরবা কাঙলুপকী মীওইশিংদা রিজার্ভেসন পীদুনা লাক্লি। লৈঙাক্কী থবক চঙবা অমদি মহৈ তম্ফম লোয়শঙদা মিং চনবদা শোৎথহৌরবা কাঙলুপকী রিজার্ভেসন পীদুনা থোং মান্নবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবনি। ফনা য়াম্না লায়রজরবসু জেনরেল কেটগরিগী কাঙলুপতা চনবা মীওইশিংদি খুদোংচাবা অসি ফংদে। সিভিল সার্ভিসেসকী এগজাম অমদি লৈঙাক্লা পীবা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিংগী চাকথুং লৌবদসু শোত্থহৌরে হায়রিবা সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ট্রাইব অমদি অদর বেকৱার্দ কাষ্টকী মনুং চনবা মীওইশিংনা খুদোংচাবা হেন্না ফংলি। মদুনা মরম ওইরগা য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী) না লৌবা সিভিল সার্ভিসেস এগজামিনেসনদা শোৎথহৌরে হায়রিবা কাঙলুপকী মীওই কয়া মায় পাক্লবসু জেনরেল কেটগরিগী মনুং চনবা মীওইশিংদি মায় পাক্লবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। হন্দক্তা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা থৌরাং অমগী মখাদা জেনরেল কেটগরিগী লায়রবশিংসু রিজার্ভেসনগী খুদোংচাবা ফংলগনি। হিরম অসিগী মতাংদা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভানা পাস তৌখিবা এমেন্দমেন্ট বিল অমা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা এসেন্ট পীখ্রবনিনা এক্ট ওইনা চৎনবা হৌরে। হন্দক্তা ষ্টেট অহুমদা পাঙথোকখিবা এসেম্লী মীখলদা বি জে পি মায়থিখ্রবা মতুংদা সেন্টরনা লৌখৎলকপা থৌরাং অমগী মখাদা চহীগী শেন্থোক লুপা লাখ ৮ য়ৌদবা অমসুং মশাগী লম একর মঙা ফানা লৈতবা জেনরেল কেটগরিগী মীওইশিংসু চাদা ১০ গী রিজার্ভেসন ফংলগনি। এমেন্দমেন্ট বিল অসি হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা লোক সভানা পাস তৌখ্রবা মতুংদা রাজ্য সভানা মথংগী নুমীৎতা অমুক পাস তৌখিবনি।

হান্নদগী হৌনা ইন্দিয়াদা শোৎথহৌরবা কাঙলুপকী মীওইশিং লৈঙাক্কী থবক চঙবা অমসুং মহৈতম্ফম লোয়শঙদা মিং চনবদা রিজার্ভেসন পীদুনা লাকপনি। অদুবু অৱাংবা থাক্কী কাঙলুপনি হায়বা হিন্দু অমসুং অতৈ লাইনিং চৎপা মীওইশিংদা রিজার্ভেসনগী খুদোংচাবা পীবদি হন্দক্লা অহানবনি। সেন্টর ফোর মোনিটরিং ইন্দিয়ন ইকনমিগী রিপোর্ট অমনা হায়, কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বরদা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা অমসুং মমাঙ চহীদা গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) চৎনহনখিবনা মরম ওইরগা খুঙ্গংগী মফমশিংদা মীওই লাখ ১.১ রোম থবক তোকহনবা তাখি। দিমোনেটাইজেসন অমসুং জি এস টিনা মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং পীরিঙৈগী চৈরক্তা সেন্টরনা লোক সভা মীখল ময়াদা জেনরেল কেটগরিগী লায়রবশিংদসু রিজার্ভেসনগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাস পাসৱাননা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্লা কাঙলুপ খুদিংমক্কী মীওইশিং থোং মান্নবা হিংহন্নবগী পান্দমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। মতম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর বিশ্বনাথ প্রতাপ সিংহনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা ও বি সীগী রিজার্ভেসন পীবদা অপ্পর কাষ্টকী লায়রবশিংদসু ক্লোটা পীনবা হোৎনখি। অদুবু শেন্থোক্তা য়ুম্ফম ওইরগা রিজার্ভেসন পীবা কনষ্টিট্যুসন্না য়াদে হায়না মতমদুগী এটোর্নি জেনরেল সোলি সোরাবজিনা য়েৎলকখি। নরসিমহা রাওনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদসু নোটিফিকেসন অমা থোক্লগা জেনরেল কেটগরিগী লায়রবশিংদা রিজার্ভেসন পীনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্লু দি কনষ্টিট্যুসন এমেন্দমেন্ট বিল অমা পাস তৌরগা লৌখৎলকপা থৌরাং ওইবনা কনামক্তনা অথিংবা পীবা ঙমখিদে। সেন্টরনা লৌখৎলকপা থৌরাং অসিবু ওপোজিসন পার্টিশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি। তৃণমুল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হায়খি, চাদা ৫০ দগী হেন্না রিজার্ভেসন পীবা য়াদে হায়বা সুপ্রীম কোর্টকী ৱায়েল অমা লৈরিবা মরম্না এন দি এ লৈঙাক্কী থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোকপদা ৱানা থোক্কনি। লোক সভাগী মীখল ময়াদা অতম্ননা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা লৈবাক মীয়াম্থু অপঙবা শিবা য়ারোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। তৌবগীবুদি জেনরেল কেটগরিগী লায়রবশিংদা ক্লোটা পীবগী থৌরাং অসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইরগসু নংহৌররোই মতাগুম মীখল ময়াদা তহা তহা পায়খৎলকপা থৌরাং ওইবনা ওপোজিসনগী ৱাফম অরানবনি হায়না লৌবা য়ারোইদৌরি। লৈঙাক পায়রকপা চহী মঙা মপুং ফারবা এন দি এনা নহানমখৈ তুমীন্না লৈরুরগা ষ্টেট অহুমগী এসেম্লী মীখলদা মায়থিরবা অমসুং লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্লমদাইদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। মতম চাবা নৎত্রগা চাদবগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা জেনরেল কেটগরিগী লায়রবশিংদা রিজার্ভেসন পীনবগী থৌরাং অসি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না লৌফম থোকই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## কনানসু য়েংশিনবীদ্রবা মহাবলি কবুই খুল

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*ঐগী* খুলনি হায়বদা ইকায়নীংঙাই ওইরবা কবুই খুলশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী শোখরবা খুলনি হায়বদা হায়মনবা থোক্ত্রবা মহাবলি কবুই খুলনি। ইম্ফালগী জিরো মাইলদা লৈরিবা সঙাই কুম্মৈ পাঙথোকফমসু ওইরিবা মফমনি। লাই খুরুম্বা চৎপা অহল-লমন, ইমা-ইনে দালশিংনা চিন খুম্নরবা, খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপ্তগী লাক্লরিবা লাইফম মোংবহনবা (মহাবলি লাইশঙ) শ্রীশ্রী গোবিন্দগী লাইশঙ কয়া অমসু লৈরি। অসিগুম্বা মফম অসিদা অমোৎ-অকায় থম্ফম ফজনা থম্বীদবা, লাইশঙ ফাওদোক ফাওজিনগী লম্বী ফজনা শেম্বীদবা, মহাবলি কবুই খুলগী লম্বী ফজনা শেম্বীদবা মপূ পান্দ্রবা, কনানসু য়েংশিনবীনবা লৈত্রবা মহাবলি কবুই খুলনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোইদবা খুল অমনি। অমম-অথেংদসু পুন্মম মম্লবা মফম অমসু ওইরি। নোং খজিক্তং চুবদা খুলগী সরক/লম্বীদা হেক্তা ঈশিং থুম্মী। নোং হেক হাংবদনা লৈখোম লৈনাংনা স্কুল কাবা অঙাংশিংদা অমদি ওফিস কাবা মীওইশিংদা অৱাবা খুদোংথীবা তত্তনা নংহল্লি। স্কুল কাবা অঙাংশিংগী বস/ভেন ষ্টেন্দ অমত্তসু লৈতে। খুলদা কোয়রকপশিংগী মপান-ইপান থোকফম লৈতে। লম্বীদা মৈ থান্দে। খুলগী লম্বীসু কোয়লাস থাবীদে। মসিবু অনৌবা লৈঙাক্কী প্লান লৈতবজাৎলা খঙজনীংই। অৱাৎ অপানা থল্লবা মহাবলি কবুই খুলগী ফীভম অসি উরগা কাউন্সিল্লরসু, লোকল এম এল এসু ইকায়দুনা লোৎখ্রবজাৎলা? হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - গাইনিং মলংমৈ কবুই*
*মহাবলি কবুই খুল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৭

১। মোংবাহনবদা লৈরিবা মহাবলিগী হনুমান মুর্ত্তি অসি শাখিবা নূং অদু সনা কৈথেলদা য়ুংলম্বা নূংনি।
(ক) নূং অদু করম্বা চহীদা মোংবাহনবদা চিংশিনখিবগে?
(খ) হনুমান লাইশঙদু চহীদুগী করম্বা থাদা শঙ্গাখিবগে?
২। ‘‘পীক্লবা ৱাহৈ অহুমসে/পূক্তা চেৎনা থমজিল্লু/নীংবা, চান্নবা, থাজবা।’’ ৱাহৈ পরেং অহুমসি কবি নবদ্বীপচন্দ্রনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু?
৩। ‘‘মমানা চাকখুমদা চঙখিদুনা/চাকথোং চফুদো পুথোক্লক্লগা/কপ্লিবা অঙাংদুদা পায়দুনা শান্নহল্লি।’’ পরেং অহুম অসিনা ‘অতিয়াদা মুশুকমুবা চাকথোং চফু পাইরে’ হায়বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অসিবু ইবা মপানগী অইবদুগী মমিং হায়য়ু?
৪। ‘‘ও: তনদন/ঙাল্লা-মুৎলা, ঙাল্লা-মুৎলা/করম্বা ইঙ্গিৎনো নঙনা ঐঙোন্দা পীরিবা?’’ পরেং অহুমসিনা সোরোখাইবম গম্ভিনীনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদু য়াওবা লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু?
৫। অতল বিহারী বাজপায়ীনা ইরম্বা ‘ইক্কিস কবিতাএং’ হায়বদু মৈতৈলোন্দা হন্দোকখ্রে।

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

### লৌমীশিংগী কাখল

# আলুগী মউ খামদেকপী ‘ষ্টেম নেক্রোসিসি’

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**



মণিপুরগী অয়াম্বা লৌফমদা আলু পাকশন্না থানৈ। লীশাংশিংনা থারকপনা মরম অমা ওইরগা আলুদা মখল কয়াগী লায়নাশিংদুগী মনুংদা আলুগী মউ খামদেকপী ‘ষ্টেম নেক্রোসিসি’ হায়না খঙনবা লায়না অসিসু চহী খরসিদা তোয়না থেংনরি। লাইবক থীবদি মউ খামদেকপী লায়না অসিবু লেট ব্লাইটনি খন্দুনা লান্না হীদাক থাবসিনি।

কুমজা ১৯৯০ গী অঙনবা শরুক্তগী হৌরগা ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা লায়না অসি পাকশন্না তাবা থেংনরকখি। চাদা ৯০ ফাওবা মাঙহনখি। খ্বাইদগী হেন্না শোকহনখিবা রাজ্যশিংদি মধ্য প্রদেশ অমসুং রাজস্থাননি। চপ মান্নবা মওংমক য়ৌদ্রবসু মণিপুরদসু লায়না অসি পাকশন্নদি তারে। লায়না অসি ভাইরসনা থোকহনবা ওইরগসু পাম্বীগী মউ, মনাগী মখোক্লচিংবা অয়াম্বা পাম্বীগী শরুকশিংবু মচু ওলহনবা, খামদেক্তুনা মচু মুশিলহনবা কয়াসিনা লায়না অসিবু কোকফাইনা থোকহনবা লায়না মালহল্লি। লেট ব্লাইটনি খলহল্লি। অদুমকপু পানা পানা কক্তুনা মাইক্রোস্কোপ্তা য়েংবদসু কোকফাই, বেক্টোরিয়ানচিংবা অমত্তা উদবা, কোকফাই হীদাক, বেক্টোরিয়া হীদাক কয়া কাপ্লবসু ফত্তবসিনা মরম ওইদুনা হেন্না থিজিনবা মথৌ তাখি। অদুমকপু কুমজা ১৯৯৭ তদি ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপকী মতেংনা লায়না অসি ভাইরসনা থোকহনবনি হায়বা খঙনরে।

লায়ওং ঃ

লায়না অসিগী লায়ওং পাম্বীগী মফম খুদিংদা উৎলি। মনা, মউ, মনাগী মশিংনচিংবা পাম্বীগী শরুকশিংদা খামদেকই। মনাশিং লেকথদুনা য়াল্লগা লৈ। মউশিং মুশিনবা, চেকখায়বা কোইরোক- কোইরোক কোয়বা দাগশিং লৈবা থেংনৈ।

লায়না অসি তাবা হৌরকপদা কোয়না শাংতক তৌবা কৌনা মচুগী দাগশিং উগনি। মসি পাম্বী হৌরবা মতুং নুমিৎ ২০ নিমুক শুরকপা মতমদা থেংনগল্লি। দাগশিং চাউবা শাংবা হেনগৎলকপনা পাম্বীগী মউদু য়োমশিনখিবা থেংনগনি। দাগশিংনা মউদা, পাম্বীগী মতাংদা অমসুং মনা মখোক্তা শোকচিনখিবনা ইতেক তেক্লা লৈরিবা মনাসি য়ান য়ান্দুনা লৈবা উগনি। চয়োল অমগী মনুংদা অপীক অপীকপা দাগশিং পুনশিনখিদুনা পাম্বীগী অয়াম্বা শরুকশিং কুপশিনখিগনি। লায়না তাবগী চাং ৱাংখৎলকপা মতমদা পাম্বী মখোকশিং পুম্মু মুশিনখিবা অমসুং চেকখায়বা থেংনৈ। মনাগী শরুকশিং য়ৌনা শোকচিল্লকপা মতমদদি মনাগী মশিংশিং হান্না খামদেকপা থেংনগনি মতুংদা মনাশিংদু য়ান য়ান্দুনা লৈগনি, কংশিল্লক্কনি। মনাশিংনা কংশিল্লক্লবা মতুংদদি আলু থারিবা ফৈদোমশিংদু মপূম ওইনা য়েংবদা কাথেক্লবা আলুগী ফৈদোম ওইনা উগনি।

লায়না শন্দোরকপগী মওং ঃ

লায়না অসি থ্রিপস হায়না খঙনবা তীনকুপ অমনা অনাবা পাম্বী অমদগী মহী চুপলুরবা মতুংদা নাদবা মশা ফরিবা পাম্বী অমদা অমুক তারবা মতমদা লায়না অসি শন্দোকই। ঙন্না থাবা আলুদা লায়না হেন্না তাবগী মরমদি ঙল্লিঙৈ মতমদা থ্রিপস হায়রিবা তীনকুপসি হেন্না মশা খিঙই, এক্টিভ ওই। মতম থেঙথরিবা মখৈ (ওক্টোবর লোইরমদাই নৎত্রগা নবেম্বর হৌরকপা) তীল মখলসি তাবগী চাং হন্থরকই, মশা শোন্থরকই। শম্না হায়রবদা খরা শারিঙৈ মতম সেপ্টেম্বর ওক্টোবরদদি তীল মখলসি মশা খিঙই মরমদি লায়না অসি চাং ৱাংনা তাই।

ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ

১) লায়না অসি তাগন্দবা আলুশিং থাসি। খুদম ওইনা কুফ্রী সুটলেজ, কুফ্রি বাডসাহ অমসুং কুফ্রি জৱাহর থাবীবা য়াই। কুফ্রি বাহার অমসুং কুফ্রি চন্দ্রমুখিদি লায়না অসি তাগল্লি।

২) সেপ্টেম্বর, ওক্টোবরদা থাবা আলু হায়বদি অঙনবা আলুদি লায়না অসি তাগল্লি। থেঙলকপ থাবা (নবেম্বর) আলুদি লায়না অসি তাবগী চাং হন্থে।

৩) লায়না অসি তাগল্লি খনবা মফমশিংদদি পাম্বীশিং হৌরবা মতুং চয়োল অমা নৎত্রগা অনী শুরকপদা ইমিকেকলোপ্রিদ ১৭.৮% মিলিলিটর অহুম ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানবীরগা মনা মউ চোংনা কাপথোকপীগনি। পাম্বীনা নৌরিঙৈ মতমদা হেন্না থ্রিপস তাগনবা মরম্না মতমসিদা হেন্না চেকশিন্নিঙাই ওইগল্লি।

থমজনিংবা ৱাফমদি ভাইরসকী লায়নাশিংনা পাম্বীদা লানশিনখিবা হায়বসি অতেনবা মতম খরগী মনুংদনি। হীদাক অমা হেক্তা কাপশিনবনা লায়নাশিং হেক্তা কনগনি হায়বা লৈতে। চেকশিনবা হায়বসিদগী হেন্না ফবা অমা লৈতে হায়বা ৱাফমসি থমজরি। চেকশিলহৌবনা খ্বাইদগী ফবা লায়েংনি।

# ঙা অমসুং ফৌ এস আর আই তৌদুনা অওন পোত্থানা শেন্দোং তাল্লসি

**এস সুমঙ্গল**



মণিপুরদা অঙনফৌ শিথরক্লি হায়বা ৱাফম অসিদি য়াম্নমক চুল্লবা ৱাফম অমনি। মসিগী মরু ওইবা মরমশিং থমজররোই। ফূদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও)গী মীফম কয়াদা লুরবা ৱাফম কয়া অমা চহী খূদিংগী খন্ন-নৈনরি। ৱাফম কয়া অদুগী মনুংদা য়াওরিবা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমদি ঈশিংগী মরমদনি। ঐখোয় হৌজিক করিসু থৌশাদবগুম তুংগী করিসু উদবগুম লৈথোক্লিবা অসিনি নুংনাংনিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা ঙসিদি মণিপুরগী ফীভমগা য়াম্নমক চান্নগনি খঞ্জবা মণিপুরদা লৈরিবা অথেনবা পাৎয়াগী লৌফমশিংগী মরমদা থেংনজবা ৱাফম খরা ময়ামগী মফমদা থমজরিবসি।

অঙনফৌ শিথরকপগী ৱাফম পঞ্জবদা নীংশিংলকপা অমনা মণিপুরগী লৌউ-শিংউবগী অখঙ-অহৈ কয়ানা মণিপুরগী লৌফমশিংদা অনীরক লোকপী (দবল ক্রোপ্পিং) দা নৎতনা ত্রিপল ক্রোপ্পিংগী আশা কয়া অমা পুথোরক্লবসু, অমুক্তং লোকপী ফাওবা মাঙশিল্লকপা অসিমসুনি খ্বাইদগী নুংনাংনিংঙাই ওইরিবদি। মতাং অসিদা য়াম্নমক মরু ওই খঞ্জদুনা অঙনফৌ থাবগী মফম খরা অমুক পঞ্জবা তারগদি মণিপুরগী লৈরিবা পাৎশিংগী পাৎয়াদা লৈবা লৌফমশিং অসিনি হায়বা ৱাফম অসি ঙসিগী ওইনা থমজবনি। খরা খঙজিনমিন্নবদা কান্নগনি খল্লি।

পাৎকী পাৎয়া ওইনা তৌবা অথেনবা মফমশিংদা হৌজিক-হৌজিকসু মায় পাক্লা ফৌ থাবা থেংনরি। মফমশিং অসিদা থানরিবা ফৌ মখল অয়াম্বদি মমাংঙৈদগী থানরক্লবা ময়াম্না নম্বর ৱান হায়না মশক খঙনরবা ফৌ অসিনি। ফৌ অসিসু য়াম্না ফবা ফৌ মখলদি ওই হায়ববু খরা হেন্না ফবা চাথোক হেনবা ফৌ মখল ওইনা থাহঞ্জনিংই। থাবগী মওংসু খরা হোংদোকহন্নীংবা লৈ। হান্না থানরিবা মওংদি ওক্টোবর নবেম্বরগী মতমদা অশাবগী চাং খরা ৱাংলিঙৈ মতমদা হায়বদি ফৌনা নীংথিনা মতোন চোংবা ঙল্লিঙৈদা লৌহোন হুন্দুনা থল্লগা অঈংবা মতম শাংনা খাঙহন্দুনা লৌহোননা ঙাঙশিন্দুনা, লিশিন্দুনা থল্লগা খরা শাগৎলকপা মতম হায়বদি জন্যুৱারীগী অরোইবা



নৎত্রগা ফেব্রুৱারীগী হৌরকপদা লিংথোকপা অসিনি। মসিনা য়াম্না মায় পাক্লব্রা হায়বদুদি নৎতে। অহানবা লিংবা ফৌ মপী অদুনা খূৎলৈ থুনা শাৎতুনা মপূং ফানা ফৌ পানবা ঙমদনা মাঙখ্রবা মতুংদা কোন্না পোক্লকপা মচাশিংনা মপূং ওইবা ফৌ ওইহৌবনা অয়াম্বনি। চাথোক হন্থবা তাবনি। মসিনি অয়াম্বা পাৎয়াদা অঙনফৌ থানরিবা ইচিল-ইনাওশিংগী অঙনফৌ খূৎথা। হায়রিবা মওং অসিমক ঙাগী ফার্ম ওন্থোকখ্রবা মফমশিংদসু ঈশিং কংথরকপা মতম অমদি ঙা ফাদোকখ্রবা মতুংদা মথংগী নোং তারকপগা ইরোয়ননা ঙা অমুক থাদদ্রিঙৈ মতমদা ফৌ অমুক্তং অঙনফৌ ওইনা লোকহৌনবগী থৌওংনি পায়খৎনরিবা।

মতাং অসিদা থমজনিংলিবা ৱাফমদি মরু ওইনা ঙাগী ফার্মশিংদা এস আর আই (সিষ্টেম ওফ রাইস ইন্টেন্সিফিকেসন) মেথদতা ফৌ থাবা অসি পায়খৎপদা খূদোংচাবা য়াম্না লৈ হায়বা অদুনি। মসিদা তৌগদবা থবক থৌরমশিং অদু খরা থমজগে। মসি হৌজিক-হৌজিকমক এফ এ ওগী চাওরবা মীফম কয়াদা অখঙ-অহৈ কয়ানা মরু ওইবা হোংলক্লিবা অঈং-অশাগী ফীভমদা অচৌবা কান্নরবা ৱাফম ওইনসু খন্নবদা য়াওরবা ৱাফম অমনি।

মণিপুরগী ফীভমদা মফমশিং অসিদা এস আর আই পাঙথোকপদা পায়খৎপা য়াবা অদুদি ফেব্রুৱারীগী অরোইবা চয়োলদগীনা মার্চকী অহৌবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা লৌহোন হুনবা। খরা ঈংবা মতম ওইবনা লৌহোন শাহৌ খরা থিনগল্লি। মরম অদুনা এস আর আই মেথদতা লৌহোন নুমিৎ ৮-১২ নি শুবদা ফোইবা ওইথোক্তে। য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৫-১৭ নি শুবদা ফোইবনা ফৈ।

**ফৌ মখল :**

পি এ সী-৮০৭, এন কে ৩৩২৫, আর সী মনিফৌ ১২, পারিফৌ, সী এ য়ু আর-৩ (মঙাল) পনবা য়াই।

**লৌহোন হুনবা :**

লৌফম নকপা মফমদা অকঙবদা নৎত্রগা লৈনাঙদা ওইরবসু অদুমক লৌহোন হুনবা য়াই। লৌ শঙম অমগীদমক তঙাইফদনা ফৌ কিলো অমদগী অমগা পৱা চঙগনি। তশেংনমক্তি স্কৱার মিটর ১ দা গ্রাম ২৫গী চাংদা মরূ হুল্লবদি কিলো ১গী (গ্রাম ১০০০) দমক মিটর ১ পাকপা

মিটর ১০ শাংবা ফৈদোম ৪ চঙগনি। মসিমক তশেংনা পাঙথোকপা ঙল্লবদি য়াম্না ফরে। অদুবু মসিমক পাঙথোকপা কনাসু য়াওদবগুম থেংনৈ। মানা মানা থোকপা হুনবদা অদুমক মায় পাকপা কয়া অমনি। মদুসু লাল্লি হায়বদি য়ারোই। মরম অদুনা থমজনিংলিবা ৱাফমদি খরা লন্না অদুমক হুনবিবা য়াই, ফৌ পাম্বী অমগা-অমগা লোনশিন্নদনবা মওং য়েংদুনা অদুমক হুনবীবা য়াই।

**লিংবা :**

লৌহোননা নুমিৎ ১৫-১৭ শুরকপদা ঙাগী ফার্ম অদু ঙা ফাদোক্তুনা অমদি ঈশিং শীৎতোক্তুনা লৈনাঙ ফমথহনবা য়ারে। লৈনাঙ খরা ফমথরবা মতমদা ফৈদোম তাকখৎপগী খূদোংচাবা লৈ। অসুম্না থাগদবা ইচিন-ইনাও খূদিংমক মতম অমত্তদা ঙা ফারবদি ঙা য়োনবা মতমদা হোংবগী খূদোংথীবা নংবসু য়াই। মরম অদুনা ঐগী-ঐগী খূদোংচাবা য়েংদুনা ঙা ফাবীগনি। অদুবু ঙা ফাখ্রবা মতুংদা ফার্মগী ঈশিং পুংকং কংহনবদি তৌবীরোইদবনি। ইশাগী লৌ লিংগদবা মতম হায়বদি মমাঙদা থমজখিবা মতমগা চাননবা য়েংদুনা ঈশিং শীৎতোকপীগনি। অসুম্না মতম চানা হোৎনরবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি।

লিংবগী মরন-অকুঙদি ময়াম্না এস আর আইদা তৌনরিবা অদুমক পায়খৎপীগনি। পরেংগা-পরেংগা ইঞ্চি ৮-৮, পরেংগী মনুংদা পাম্বীগা পাম্বীগা ইঞ্চি ৮-৮ লাপ্পনবা মওং য়েংদুনা থাবীগনি।

**হার হাপ্পা :**

ঙাগী ফার্মদা ফৌ থাবা মতমদা হার থোইদোক্লা চঙদে। ফার্মগী লৈমায় য়াম্না লৈহাও চেনবা মরম্না হার হাপত্রবসু য়াই। ফৌ থারবা মতুংদা হার ৱাৎপগী খূদম ফংলবদি অখঙ-অহৈ তানরগা হাপসি।

**লৌফম খোইবা :**

ঙাগী ফার্মদা লৌফম খোইবগী মথৌ তাদে। ঈশিং শীৎতোকখ্রবা মতুংদা লৈনাঙ তানা লৈতেম মান্ননা উকায় তক্লবা মফমগুম ফৈদোম শেম্বা য়ানা লৈবা থেংনবীগনি।

**ফৈদোম শেম্বা :**

লৈতেম মান্ননা লৈরবা মফমদুদা মিটর ১গা সেন্টিমিটর ৭৫ পাকপা ফৈদোম শেম্বীগনি। মসি য়াম্না লুনা লৌবীগনু নাপচৈ অমা শীজিন্নরগা য়াবা থবক্লি। হায়রিবা অপাকপসি য়েংদুনা শুটলিগুম্বা অমা শীজিন্নরগা নাকল অনীমক্তা পাকপা মান্ননা তিংলগা সনাবুন অমনা তক্তুনা চুরি হনবা য়াই। থবক ওইনা তৌরগা অদুমক খঙগনি। অসুম্না শেন্নবা ফৈদোমদা রোল্লর মার্কর কৌবা অমনা ওন্দুনা থাফম হকপা য়াই। অসুম্না হক্লবা ফৈদোমদা অহকপা মপাদা ফৌ পাম্বী অমমম্ য়াম্না লুনা ফুমদনা খিনবীরগা অদুমক য়ারে। ফৌ পাম্বী পৈথোক-পৈশিন তৌবা য়াই। শেমদ্রবসু মশা মথন্তা অদুমক চুমথোকচখিনি। হায়রিবা অসি নৎত্রবসু জপান লৌরিগুম থৌরী শীজিন্নদুনা অদুমক লিংবীবা য়াই। ফৈদোম-ফৈদোমগী অরাপ্পদু অদুমক থম্বীরগা চুরি ওইগদৌরিবা শরুক অদু ফৌ থাবীরমদ্রগা অদুমক য়ারে। লিংবা লোইরবা মতুংদা চুরিশিং অদু সনাবুন অমগী মতেংনা তক্তুনা শেম্বীবা য়াই।

**লায়না-তিন্না :**

মতম-মতমগী লায়না-তিন্না ঙাকথোক্লবা অখঙ-অহৈ মতম চানা তানবীয়ু। মতম অসিদা ফৌবু মাঙ তাক্লবা মওংদা লায়না-তিন্না তাবা কয়া থেংনরোই।

**ঈশিং চনবা :**

এস আর আইগী লৌউদা ঈশিং য়াম্না চঙদে। অদুবু নাপী হৌরবসু হৌদ্রবসু মখোঙ হোমহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। অসুম্না মখোঙ হোমহন্নবা হোৎনবা মতমদা নোংমা মাঙজৌননা ঈশিং পারপ হায়বদি ইঞ্চি অমমুক লুনা ঈশিং চনবীবা তঙাইফদে। ঙাগী ফার্ম তৌবা মফমদা ঙা চারা শেমগৎনবা থম্বা পুখ্রিদুদগী ঈশিংনা অদুমক কোন্নবা য়াই। ফৌ থারবা মতুংদা ঈশিং তুংনবা মওংদা ঈশিং থাজিনবা য়াদে। পেৎলি-পেৎলিদমক থম্বীগনি। কংলবসু লৈক্রক লাউনা চৎহনবদি য়াদে। অসুম্না অনীরক অহুম্লক নাপী পেংবীরবদি এস আর আই মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়ারে।

অসুম্না শিথরক্লিবা অঙনফৌগী লৌফমশিং হিংগৎনবা হোৎনরসি।